# ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ ২০২৬

**"When the World Plays Together, Borders Fade"**

মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরক্লিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২৬ জুন ১২গী অয়ুক পুং ২ তারকপদগী মীৎয়েং তাবা ফংলগনি। হন্দক্কী ওইনা লৈবাক অহুম হায়বদি য়ু এস এ, কনাদা অমসুং মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইরগা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২৬কী এদিসন পাঙথোক্কনি। পনবা য়াবদি, হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা কেপ ভর্দে, কুরাকাও, জোর্দান অমদি উজবেকিস্তান অহানবা ওইনা শরুক য়ারি

## ফীফা ৱর্ল্ড কপ হৌরকখিবগী ৱারী

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):

ফুটবোলগী তাইবংদা 'ফেদরেশন ইন্টরনেশনল দি ফুটবোল এসোসিএশন (ফিফা)' হায়না খঙনরিবা ফুটবোল লুপ অসি কুমজা ১৯০৪গী মে ২১দা ফ্রান্স, বেলজিয়ম, দেনমার্ক, নেদরলেন্দস, স্পেইন, স্বিদেন অমসুং স্বিটজরলেন্দ হায়রিবা লৈবাকশিং অসিনা পূন্না লিংখৎমীন্নখিবনি, জর্মনিশু মসিদা য়াওনবা থৌরাং তৌখি।

মালেমগী অপুনবা লুপ অমা ওইনা শেল্লবা মতুংদা, ফিফানা মশাগী ইন্টরনেশনল টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা হৌনবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা মসিগী প্রসিদেন্ট জুলস রিমেটনা ইহান হানবা ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবগীদমক্তা শীল-লাঙবগী থবক পায়খৎপা হৌখি। মতম অসিদা উরুগ্বেনা ওলিম্পিক্সকী চেম্পিয়ন অনীরক থংন-থংননা ওইবা ঙল্লকপা অমসুং কুমজা ১৯৩০দা মশাগী নীংতম্বা ফংখিবা চহী চাম্মা শুরকপগী থৌরম পাঙথোক্কদবা লৈবা মরম্না ফিফানা উরুগ্বেবু ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্বু লৈবাক ওইহন্নবা খনখি।

মশান্না অসিগীদমক্তা খনগৎলবা লৈবাকশিংগী নেশনল এসোসিএশনশিংগী মফমদা টিম অমমম থারক্নবা চেপাউ পীখি, অদুম ওইনমক উরুগ্বেবু চাংদান্নবগী থৌরম অসি পাঙথোক্লবা মফম অমা ওইনা খনখিবা হায়বসি, শেল-থুমগী অচৌবা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা 'গ্রেট দিপ্রেশন'গী মতম অদুদা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা এটলান্টিক ওসিন ৱাংমা লান্না, শাংলবা অমসুং শেল য়াম্না চঙগদবা খোঙচৎ অমা চৎপা তাবনি। কনাগুম্বা য়ুরোপকি লৈবাক অমত্তনা চাংদান্নবা অদু পাঙথোকপা হৌগদবা থা অনিখক্তং ঙাইরক্লবা ফাওবদা মশা মশাগী টিম থারক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমত্তসু পীনরকখিদে। মরম অসিনা প্রসিদেন্ট রিমেট মশামক্না পান্বে লৈরক্তবদগী বেলজিয়ম, ফ্রান্স, রোমানিয়া, হঙ্গেরি অমসুং য়ুগোস্লাভিয়া হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী নেশনল টিমশিংগী মফমদা টুর্নামেন্ট অসিদা চৎলগা শান্নরুনবা থেমখি। ইহান হানবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা সাউথ অমেরিকাদগী তরেৎ, য়ুরোপতগী মরি অমসুং নোর্থ অমেরিকাদগী অনি পুন্না লৈবাক ১৩না শরুক য়াখি।



অহানবা ৱর্ল্ড কপকী মেটচ অনি মতম অমত্তদা খন্নাংননা শান্নখি। মেটচশিং অদুদা ফ্রান্সনা মেক্সিকোবু ৪-১দা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা বেলজিয়মবু ৩-০দা থোইবা ঙমখি। ফ্রান্সকি লুসিএন লোরেন্টনা ৱর্ল্ড কপকি পুৱারীদা ইহান হানবা ওইনা গোল চনখি। নুমিৎ মরিনি লৈরগা য়ু এসকি বর্ট পেটেনোদেনা ৱর্ল্ড কপকি ইহান হানবা হেট-ত্রিক ফংখিবগা লোয়ননা অমেরিকানশিংনা পেরেগ্বেবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি। ফাইনেলদা উরুগ্বেনা অর্জেন্টিনাবু, মোন্টেভিদিও ষ্টেদিয়মদা তিল্লিবা মীওই ৯৩,০০০গী মমাঙদ ৪-২দা থোইদুনা ৱর্ল্ড কপ লৌবা ঙম্বা ইহান হানবা লৈবাক ওইখি।

কুমজা ১৯৩৪গী ৱর্ল্ড কপ ইটলিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি অমসুং মসিনা ক্বালিফিকেশন ষ্টেজ য়াওবা ইহান হানবা ৱর্ল্ড কপ ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখিবা টিম ১৬ কী মশীং অসি কুমজা ১৯৮২দা ফাইনেল টুর্নামেন্ট পাকথোক চাউথোকহন্দ্রিবফাওবা চৎনখি। কুমজা ১৯৩০ দগী টাইটল হোল্ডর ওইদুনা লাক্লিবা উরুগ্বেনা হায়রিবা কুমশীং অসিদা মখোয়গী লৈবাক্তা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অদুদা য়ুরোপকি লৈবাকশিংনা মপুং ফানা শরুক য়াখিদবগী থৌওংবু পেন্দবা উত্তুনা কুমজা ১৯৩৪গী ৱর্ল্ড কপ বোয়কোট তৌখি অমসুং মসিনা দিফেন্দিং চেম্পিয়নশিংনা মথংগী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াদবগী অমত্তা ঙায়রবা থৌদোক ওইখি। বোলিভিয়া অমসুং পেরাগ্বে অনী অসিসু য়াওখিদবদগী অর্জেন্টিনা অমদি ব্রাজিলগী টিম ক্বালিফাইং মেচ অমত্তা শান্নদনা ফাইনেলগী তাংককশিং য়ৌনা চঙশিনবা ঙমহনখি। ইজিপ্টনা চাংদান্নবা অসিদা অফ্রিকাগী ইহান হানবা টিম ওইখি অদুবু ফর্ষ্ট রাউন্দদা হঙ্গেরিগী মখুৎতা মায়থীবা ফংখি। ইটালিনা টুর্নামেন্ট অসিদা জেকোস্লোভাকিয়াবু এক্সত্রা টাইমদা ২-১দা থোইদুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা থৌওং অসি পাঙথোকপা ইহান হানবা য়ুরোপকী টিম ওইখি।

কুমজা ১৯৩৮গী ৱর্ল্ড কপ কম্পিটিশন অদুশু সাউথ অমেরিকান কয়ামরুম্না য়াম্না ৱারৌনবা মওংদা য়ুরোপতা (ফ্রান্সতা) পাঙথোকখিবদগী উরুগ্বে অমসুং অর্জেন্টিনা অনীনা বোয়কোট তৌখি। টাইটল হোল্ডরশিং অমসুং য়ুম্বু ওইরিবা লৈবাক্কী মফমদা ইহান হানবা ওইনা ওটোমেটিক ক্বালিফিকেশনশিং পীখি। লেটভিয়াগা চাংদান্নবা অমদা মায় পাক্তুনা ওষ্ট্রিয়া টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফাই ওইখি অদুবু এন্সলস হায়না খঙনবা, ওষ্ট্রিয়াবু নাজি জর্মনিনা কুমজা ১৯৩৮গী মার্চ ১২দা নমলৌ লৌশিনখিবগী থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা ওষ্ট্রিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিদগী হন্দোকখিবগা লোয়ননা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোয় খরবু জর্মনগী টিমদা হাপচিনখি অমসুং হায়রিবা টিম অসি স্বিটজরলেন্দনা ফর্ষ্ট রাউন্দদা মায়থীবা পীখি। ওষ্ট্রিয়াগী মহুৎ শিন্নবা ইংলেন্দদা খঙহনবদা য়ারকখিদে। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা ফাইনেলশিংদা লৈবাক ১৫না চাংদম্নখি। ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইখি অদুবু ফাইনেলদা ইটলিনা হঙ্গেরিবু ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা মশাগী টাইটল মাঙহনখিদবগা লোয়ননা য়ুম্বু ওইরিবা লৈবাক অমনা ইহান হানবা ওইনা চাংদান্নবা অসিদা মায় পাকপা ঙমখিদে। পোলেন্দগী ষ্ট্রাইকর ইর্নেষ্ট ৱিল্লিমোওস্কিনা ৱর্ল্ড কপকি গেম অমদা গোল মরি চনবা ইহান হানবা শান্নরোই ওইখি, গেম অদুদা পোলেন্দনা ব্রাজিলগী মখুত্তা ৬-৫দা মাইথীখি, মহাক্কী রেকোর্দ অসি মতুংদা অতৈ শান্নরোয়শিংগসু মান্নরকখি অদুবু কুমজা ১৯৯৪গী ৱর্ল্ড কপ ফাওবদি চহী ৫৬ চুপ্না কনানসু থুগাইবা ঙমখিদে। মথং মথং...

# অন্দর-১৪ বোইজ ৱান দে ত্রোফিঃ ত্রাও, এস দি ও, পি টি আর সী অমসুং ৱাই এ এল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট ফিল্ডশিংদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ৫ রক শুবা এম এন সী এ বোইজ অন্দর-১৪ ৱান দে ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিংদা ত্রাও, এস দি ও, পি টি আর সী অমসুং ৱাই এ এল মায় পাকখ্রে।



ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা লাইরেঙ্গম পব্লিক গ্রাউন্দদা সী ৱাই এস এ খাঙবোক অমসুং ত্রাও ক্লাকেথেলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস সী ৱাই এস এনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। সী ৱাই এস এনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন লাইশ্রম পারিঙানবনা বোল ২০ মায়োক্নবদা রন ২০ অদুগা মোইৱাংথেম সনাথোইনা বোল ৩১ মায়োক্নবদা রন ২৮ লৌরমখিবা অদু নত্তনা লেমহৌরিবা টিম অদুগী বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ১৯.১দা ওল আউট ওইরগা রন ৭৫ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

ত্রাওনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ১৩.১দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৭৭ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ত্রাওনা ৱিকেট ৫দা মায় পাকখি।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি এন্দ ওরিএন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খে পেলেস কম্পাউন্দ অমসুং এস দি ও কৈরাও মক্তিংগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এস দি ওনা রন ১০৭তা লাকচনা মায় পাকপা ঙমখি। মেটচ অসিদা এস দি ওগী শান্নরোয় ইফম য়াকিপউদিননা বোল ২৮ মায়োক্নবদা রন ৪৪ লৌরমখি।

পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা টি সী এম দি সী থোংজু পার্টটু পেচু লম্পাক অমদি পি টি আর সী পাৎশোই পার্ট ফোরগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা পি টি আর সীনা ৱিকেট ৬তা মায় পাকখি।

অমরোমদা, খুদৈবন্দ লম্পাক, তাওথোংদা ৱাই এ এল থৌবাল লৈশাংথেম অমসুং থাও থাংমৈবন্দগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱাই এ এলনা রন ৫১দা মায় পাকখি। মেটচ অসিদা ৱাই এ এলগী বেটসমেন পুন্সিবনা বোল ৪৯ মায়োক্নবদা রন ৪৪ অদুগা বিকাসনা বোল ৭৪ মায়োক্নবদা রন ৪৯ লৌরমখি।

# ক্রিপসানা আই সী এস থোইখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):**

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌজিক চথরিবা ১৬ রক শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৬-২৭কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কাংচুপ রোদ য়ঙ ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএশন (ক্রিপসা)না আই সী এস এ ইরেংবম মায়থীবা পীখ্রে। ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মায় পাকখ্রবা ক্রিপসাগী পাঞ্জলশিং অদু ১১ অমসুং ২০ শুবা মিনটতা মথংশিংনা টিম অদুগী শান্নরোয় মোইবুংখোঙবম সঞ্জনা অমসুং হেমাম লিন্থোইনা অমমম চনখিবনি।

# আই এস এলঃ বেঙ্গলুরু এফ সী মায় পাকখ্রে



**চেন্নাই, মে ১৬ (এজেন্সী):**

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ষ্টেদিয়মশিংদা হৌজিক চথরিবা ইন্দিয়ান সুপর লিগ (আই এস এল)গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বেঙ্গলুরু এফ সীনা চেন্নাইন এফ সী মায়থীবা পীখ্রে। টামিলনাদুগী চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা বেঙ্গলুরু এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি।





# দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর (দি ৱাই এ এস ও) ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬তগী হৌরগা ২৯ ফাওবা লাংজিং অচৌবা টর্ফ গ্রাউন্দদা অন্দর-১৫ বোইজ, অন্দর-১৭ বোইজ এন্দ গার্লসকী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দি ৱাই এ এস ও ইম্ফাল ৱেষ্ট ঐচ হেমজিৎ মীতৈগী চেরোল অমনা হায়, হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ১৮দগী হৌরগা ২১ ফাওবগী মনুংদা দি ৱাই এ এস ওগী ওফিসতা লাক্তুনা এন্ট্রি ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। অদুগা ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোয়বা মতম্না থা অসিগী ২৩দা ওইগনি। শান্নরোয়শিংনা ফোর্ম থাজিল্লকপা মতমদা মখোয় মখোয়গী অধার কার্দ, বার্থ সার্টিফিকেট, ইন্দিয়ান পাসপোর্ট অমদি সী আর এস রেজিষ্ট্রেসন শোয়দনা লোয়নরক্কদবনি। শান্নরোয়শিংগী এজ ভেরিফিকেসনগী মেদিকেল চেক-অপনা থা অসিগী ২৫গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়রি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1819**


**Robert Behling (2300) - Axel Derikum**
**Bundesliga 8485 Germany, 1984**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.c4 c6 | 2.e4 d5 | 3.exd5 cxd5 | 4.d4 Nf6 | 5.Nc3 g6 |
| 6.Qb3 Bg7 | 7.cxd5 O-O | 8.Be2 Nbd7 | 9.Bf3 Nb6 | 10.Nge2 a5 |
| 11.a4 Qd6 | 12.Nb5 Qb4+ | 13.Qxb4 axb4 | 14.d6 exd6 | 15.Nxd6 Rxa4 |
| 16.Rxa4 Nxa4 | 17.O-O Be6 | 18.Nf4 Rd8 | 19.Nxb7 Rxd4 | 20.Nxe6 fxe6 |
| 21.Bc6 b3 | 22.Be3 Rb4 | 23. ... | | |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1818 Solution :**

**40. Rxg5+ Nxg5+ 41.Qxg5+** *The white queen captures Black's knight, which was defending the square f7.* **Kf8 42.Qh5 Kg7**
*42...Qxe6 43.fxe6*
*42...Qa3+ 43.Kh4 Kg7 44.Qf7+ Kh6 45.g5#*
**43. f6+ exf6**
*43...Kxf6 44.Qh6#*
*43...Kf8 44.Qf7#*
*43...Kg8 44.Qf7#*
**44. Qf7+** *The white queen attacks Black's king, which is defending Black's pawn. Kh6* **45.Qxf6#**
**1-0**




Title : Morning Bird
By : Athoiba Yenshenbam
Class : III Roll No. : 85 Sec. : B
School : Trinity Public School



Title : I Love You, Ema
By : Emma Nongthombam
Class : III Roll No. : 6 Sec.
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya



Title : My Sweet Home
By : Mangal Tensubam
Class : KG Roll No. : 11 Sec : A
School : The Youngster Dynamic English School




Title : Butterfly
By : Meinam Thabungton
Class : I Roll No. : 19 Sec. :
School : Ram Krishna Mission School



Title : Vegetables
By : Soibam Korounganba Meetei
Class : III Roll No. : 16 Sec. : B
School : Ajad English School



Title : Hut
By : Ch. Peebinson Singh
Class : II Roll No. : 8 Sec : A
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Kombirei
By : Laishram Lanchenbi
Class : III Roll No. : 3 Sec :
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : A Scenery
By : Langlensana Oinam
Class : I Roll No. : 14 Sec : B
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Mahatma Gandhi
By : Roshpiyani
Class : III Roll No. : 56 Sec : E
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Cats
By : Sangompham Aqeen
Class : III Roll No. : 60 Sec : C
School : Standard Robarth Hr. Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্লীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com